# নুপা অমসুং নুপীগী সেনিয়র হোকি লীগতা কে ঐচ এস সী অমসুং সিয়ো মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১ (ঐচএন এস): মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা নুপা অমসুং নুপী সেনিয়র মণিপুর হোকি লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেচতা কে ঐচ এস সী খোংমন অমসুং সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায় মায় পাকখ্রে।

নুপাগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চথরিবা হোকি লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা কে ঐচ এস সী খোংমন্না ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ গোল ৮-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা খোংমন্না পেনালটি কোর্নর অনী ফংবদা অনীমক গোল ওন্থোকপা ঙমখি। ৱাই সী সী আই সীনা পেনালটি কোর্নর অহুম ফংখিবদা গোল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মেচ অদুদা খোংমনগী গোলশিং অদু টিম কেপ্তেন ভাকর , নেলসন অমসুং কিরন্না গোল ২/২ চনখি। মুকেস অমসুং থৌঙন্বনা গোল অমমম চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা ৱাই সী সী আই সীগী গোল অহুম বুধনা গোল অনী, দেবিদনা গোল অমা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়না ফাম ইম্ফাল গোল ১৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা সিয়োগী গোলশিং অদু এম প্রেমচান্দনা গোল তরুক চনখি। টি ঐচ হেনথোইবা অমসুং জে ষ্টেলিন্না গোল ৩/৩ চনখি। জি দিঙ্কু শর্ম্মনা গোল অনী চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা ফামগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এ ক্রিসন্না চনখি।

# নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১ (ঐচএন এস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা ঙসিদগী জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা মণিপুর মপান্দগী টিম য়াওনা পূন্না টিম ১৮ না শরুক য়াদুনা ৬ শুবা এ এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ চথবা হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা প্রিলিমিনরি নোক আউটকী মেচতা চিরু স্পোর্টিং ক্লবনা ঐচ ৱাই সী মার্খোলেন গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায়থীহৌরবা ঐচ ৱাই সী মার্খোলেন টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে। হয়েং প্রিলিমিনরি নোক আউট ষ্টেজদা সিক্স আসাম পুলিস অমসুং মোঙ্গোলোইদ ক্লবকা শান্নরগনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা মায় পাক্লবা চিরু স্পোর্টিং ক্লবকী অহানবা গোল চৱাংনৈ খুমনা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গোল এলদাইলেননা থংনা থংননা চনখি।

## ইমা পান্থোইবী ফুটবোল

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১ (ঐচএন এস): কোংবা য়ুথ ওর্গেনাইজেশন্না চহী খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোরকপা হন্দক্কা থানা অহুল্লক শুবা ইমা পান্থোইবী ফুটবোল টুর্নামেন্ট হয়েংদগী কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবা কে ৱাই ওগী গ্রাউন্দদা টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা চথবা হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসি হয়েং নুংথিল মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর এম ধনেশ্বর, কে ৱাই ওগী প্রসিদেন্ট এ ৱাই দেবেন, হফিস ব্রাইটর একাদেমি কৈখুগী ফাউন্দর এম দি মুহিবুলা অমসুং কোংবা নোংথোম্বম লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ডা. ও নোবোনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোক্লগনি।


টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অহৌবা মেচ কে ৱাই ও কোংবা নোংথোম্বম লৈকায় অমসুং য়ু এফ এ থৌবাল অৱাং লৈকায়গা নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

## মাষ্টর এথলেটশিংদা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১ (ঐচএন এস): হায়দ্রবাদতা ফেব্রুৱারী ২১ দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৮ শুবা নেসনল মাষ্টরস এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়াগদবা মণিপুর মাষ্টর এথলেটশিংনা থা অসিগী ২৭ কী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা লাক্লনবা মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক এসোসিএশন্না খঙহল্লক্লি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৩৮

1. করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসতা পেরুগা ওষ্ট্রিয়াগা ফুটবোল শান্নবদা রেফ্রিগী ৱারেপ পেন্দবদগী পেরুগী ফুটবোল টিমখক্তমক নত্তনা অতৈ মশান্নশিংদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় পূম্নমক থুনমক ময়ূমদা হল্লকখিবগে?
2. মখাদা পীরিবা শান্নরোয়শিংগী মমিং অসিদগী তোঙান তাবা শান্নরোয় অমগী মমিং অমা খন্দোকউ। শঙ্কর লক্ষমন, সহিদ অলি খান, অল্লেন স্কোফিলদ, হানিফ খান, খৃষ্টিয়ান বাসসেমির।
3. ওলেম্পিক গেমসতা সনাগী মেদল অহুম ফংখিবা অহানবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদু কনা কনানো?
4. ক্রিকেট ক্রাইসিস কৌবা লাইরিক অদু কনানা ইখিবনো?
5. মীয়াম চঙদুনা মতেং পাঙলিবা লমজেল্লোয় অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ২৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৩৭ কী পাউখুমশিং

(১)দিপেন্দু বিস্বাস (২) টেরেসা ফোলগা (৩) অৱাং কোরিয়া
(৪) ফ্রাঙ্ক ৱোরেল (৫) নাদিয়া কোমেনসি

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৩৭ কী পাউখুম মরি চুম্না পীবিরকখিবশিংদি

*(১) থোকচোম রবিচন্দ্র, কোংবা লাইশ্রম লৈকায়*
(২) রোলিনসন খুন্দ্রাকপম, ঘড়ী মখা লৈকায়, এয়রপোর্ট রোদ (৩) কৈশাম রোনাল্ড সিংহ, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা (৪) তোংব্রম জিবোন সিংহ, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৩৭ কী ৱিন্নর

*থোকচোম রবিচন্দ্র, কোংবা লাইশ্রম লৈকায়*

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৩৬, ৩৭ কী খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

**জান্যুৱারী ২২, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।**

# সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২১ (ঐচএন এস): ওল ইরেংবন ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ) ইরেংবন্দনা শিন্দুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইরেংবন্দ হায়স্কুলগী গ্রাউন্দদা টিম ১৭ না শরুক য়াদুনা চথরিবা অনীশুবা ষ্টেট লেবেল কেশ প্রাইজ সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মৈরা এফ সীনা টি কে দল্লিয়ু এ পাঞ্জল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নজরবসু মেচকী অঙনবা মতমদা মৈরা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা হেনখিবা মরম্না গোল অনী থংনা থংননা চনশিনখিবনা মেচ মায় পাকপগী অচৌবা মরম ওইখি।

টিমদুগী অহানবা গোল গৌরোনা মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল ঙৌবনা মেচকী ১৮ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা টি কে দল্লিয়ু এ তেম্থানা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা মেচ মায়থীখি।




লেংশিনবিরকউ/
হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক
খুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।

ওফিসকী মতম : অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা

*হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স*






নহাক্কী ফোঙদোক্তবা একাউন্টশিং নৎত্রগা কেশ দিপোজিটশিং ঐখোয়দগী লোৎলগা লৈতে!

"লায়রবশিংবু মতেং পাঙবনা নঙোন্দা মতেং ওইগনি!"



ইনভেষ্ট তৌ নহাক্কী ফোঙদোক্তবা ইনকম

প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান যোজনা, ২০১৬ দা

অৱাৎ-অপা লৈবশিংগী সোসিও-ইকনমিক গ্রোথ থুজিলহল্লু

মরুওইবা শক্তমশিং
- মীওই অমনা হেক্তা ফোঙদোক্তবা ইনকমগী মতাংদা বেঙ্ক নৎত্রগা পোষ্ট ওফিস নৎত্রগা তাংদাংবা এন্টাইটিগী একাউন্ট অমদা শেল ওইনা নৎত্রগা দিপোজিটশিং ওইনা দিক্লারেসন তৌবা য়াই*।
- টেক্স, সরচার্জ অমসুং পেনালটিগী অপূনবা ওইনা ফোঙদোক্তবা ইনকমগী চাদা ৪৯.৯০ ফাওবা পীগদবনি।
- প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান দিপোজিট স্কিম, ২০১৬ তা ফোঙদোক্তবা ইনকমগী চাদা ২৫ শোয়দনা দিপোজিৎ তৌগনি।
- দিপোজিটশিং ইন্টরেষ্ট ফ্রীনি অমসুং চহী মরিগী লোক-ইন মতম লৈ।

দিক্লারেসন তৌবগী মওং
- ওনলাইন্দা https://incometaxindiaefiling.gov.in দা নৎত্রগা প্রিন্ট ওইনা ইনকম টেক্সকী জুরিসদিক্সনেল প্রিন্সিপাল কম্মিস্নার/কম্মিস্নারদা টেক্সনচিংবা থীবা অমসুং স্কিমসিগী মখাদা দিপোজিৎ তৌবগী প্রুফকা লোয়ননা ফাইল তৌগদবনি।

ইম্যুনিটি
- মপূং ফাবা কনফিদেন্সিএলিটি ওইগনি।
- স্কিমসিগী মখাদা লাউথোকপা ইনকম ইনকম-টেক্স এক্ট, ১৯৬১ গী মখাদা টেক্স থীনিঙাই ওইদে।
- স্কিমসিগী মখাদা দিক্লারেসন তৌবদা পীবা ইম্যুনিটি স্কিম অসিগী সেক্সন ১৯৯-০ দা পল্লিবা নত্তনা অতৈ এক্ট খুদিংমক্কী মখাদসু পীগনি।

স্কিম অসি
মার্চ ৩১, ২০১৭
ফাওবা চৎনগনি

*অসিগুম্বা ফোঙদোক্তবা ইনকম লাউথোক্তবা তারবদি পেনালটি চাদা ৭৭.২৫ গী চাংদা টেক্স, সরচার্জ অমসুং সেস থীহনগনি।

ক্লারিফিকেসনশিংগীদমক্তা য়েংবিয়ু:
২০১৭ কী সি বি দি টি সার্কুলর নম্বর ২
তারিখ ১৮.০১.২০১৭ (এফ এ ক্যুজস)
ফংফম: www.incometaxindia.gov.in
হংবিনীংবা লৈরবদি ঈ-মেল তৌবিরকউ: ts.mapwal@nic.in




ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট

davp 15401/13/0290/1617